ৱাঙ্গোই পুলিস ষ্টেসনদা থোমজিনখ্রে

প্রোটেষ্টেরশিংগা খুৎ থোক্নখ্রে, এস আই ১ মকোক কায়রে

থৌদাং পাউমীদগী

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২৭ : ঙরাং অয়ুক পুং ৮ লোম তাবদা ৱাঙ্গোই পুলিস ষ্টেসনগী লোকঅপতা নুপী অঙাং লৈনা লৈনা অতোপ্পা লৈশাবী অমা চল্লুবগী ৱাথোক্না মরী লৈননা ফাজিন্দুনা থন্নকখিবা ৱাঙ্গোই মখা লৈকাইদগী থৌদাম দিগবিজয় (৩৭) অপোকপা নবকুমার মীশিগা মরী লৈননা শেমখিবা জেএসিনা ঙসি ৱাঙ্গোই পুলিস ষ্টেসনদা থোমজিন্দুনা থৌদোক অসিদা চেন্নরিবা পুলিস পার্সোনেলশিং মতিক চাবা দন্দি পীয়ু হায়না দাবী তৌখ্রে। থৌদোক্তুনা মরম ওইরগা পুলিসকা খুৎ থোক্নবদা পুলিস ষ্টেসন অসিমক্কী এস আই অমা মকোক কায়রে। লৈখিদ্রবগী ইমুংগী লৈশাবী অমসু অশোক অপন নংখ্রে।

অমরোমদনা মীশি অসিগা মরী লৈননা ঙসি অয়ুক ৱাঙ্গোই বজারদা ৱাঙ্গোই ৱাহেংবম লৈকাই, থৌনাওজম লৈকাই, থৌদাম লৈকাই, লোংজম লৈকাই অমসুং মখা লৈকাইগী মৈরা পায়বীশিংনা সিট ইন প্রোটেষ্ট পাঙথোক্তুনা মরাল লৈবশিং মতিক চাবা দন্দি পীয়ু হায়না দাবী তৌখ্রে।

দিগবিজয় মীশি অসিগী মতাংদা জেএসিনা শিন্দুনা ঙসি নুংথিল পুং ১ রোম তাবদা ৱাঙ্গোই বজারদা মীয়াম পুল্লপ পুল্লবা মতুং ৱাঙ্গোই পুলিস ষ্টেসনদা থোমজিন্দুনা মহাক ফাবগা মরী লৈনবা আই ও অমসুং ষ্টেসন অসিগী ও সি থবক্তগী থদৎকদবনি হায়না খোল্লাও কয়া লাওশিনখি। লোয়ননা পুলিস ষ্টেসনগী গেট অদু নমখায়দুনা চংনবা হোৎনখি। থৌদোক অদুদা পুলিসকী মায়কৈদগী মীয়াম অদু তানখায়নবা হোৎনবদা টিয়ার গ্যাস, মোক বোম, রব্বর বুলেট কাপ্পা য়াওনা ব্লেক ফয়ার রাউন্দ কয়া কাপখি। থৌদোক অদুদা প্রোটেষ্টেরশিংগী মায়কৈদগীসু পুলিস ষ্টেসন তম্লা নুংনা থাজিনখি অমসুং নাওরিনচিংবা কাপশিনখি।

নাকল অনিনা খুৎ থোক্নখিবা অদুদা পুলিস ষ্টেসন অসিগী এস আই ওইবা সমরজিৎ কৌবা অমা মকোক্তা নুংনা পানবদগী শোকখি। মখা তানা পুলিসনা প্রোটেষ্টেরশিং অদু লার্থি চার্জ তৌদুনা তানখায়নবা হোৎনখি। টিয়ার গ্যাস, মোক বোম, রব্বর বুলেট, লার্থি চার্জ তৌদুনা তানখায়রকপা অদুদগী কোইচেন চেন্নদুনা য়ুমদা লোৎতুনা লৈনবশিং চং চংদুনা থি-হুন্নগী থবকসু চৎখি। লোয়ননা প্রোটেষ্টেরনি হায়বা অমা ফারগা পুলিস ষ্টেসনদা পুশিনখি।

থৌদোক অসিগী জেএসিগী মায়কৈদগী ফোঙদোরকখিবদা দিগবিজয়গী মীশি অসি চিংননিংঙাই ওই। মীহাৎ অসি পুলিসনা লৌতুনরগা হাৎপা ওইগনি। পোষ্ট মোর্তেমদা লৈখিদ্রবা দিগবিজয়গী অপোকপা মপা নবকুমার খক নত্তনা অতৈ কনামত্তা য়াওবা য়ারোই হায়বসি য়াম্না চিংননিংঙাই ওই। মরম অদুনা দিগবিজয় ফাবগা মরী লৈনবা আই ও অমসুং ষ্টেসন অসিগী ও সি থবক্তগী লৌথোক্ত্রিবা ফাওবা মখল মখা কয়াগী খোঙজংশিং চংশিনগনি।

লোক সভা মীখলগী বিজিপিগী টিকেট লাওথোকখ্রে

ইন্নরদা ডা: আর কে রঞ্জন, আউটরদা প্রো: গাংমুমৈনা মীরেপ ওইরগনি

থৌদাং পাউমীদগী

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২৭ : লাক্লিবা ১৬ শুবা লোক সভা মীখলদা বিজেপিগী মীরেপ ওইগদবশিংগী ফার্ষ্ট ফেজগী মমিং ঙসি নিউ দিল্লিদা বিজেপি পার্লিয়ামেন্টরি বোর্ডকী মীফম ফল্লবা মতুংদা লাওথোকখ্রে।

মীখল অসিদা মীরেপ ওইগদবশিংগী মমিং লাওথোকপদা মণিপুরগী ইন্নর পার্লিয়ামেন্টরি সিটতা ডা: আর কে রঞ্জন অমসুং আউটরদা প্রো: গাংমুমৈ কামৈগী মমিং য়াওরে।

টিকেটলাওথোক্লিঙৈগী মাংওইননা হৌখিবা ফেব্রুৱারী ২৪দা বিজেপি গী সেন্ট্রেল লিদরশিংনা খঙহল্লকপদগী বিজেপি মণিপুর প্রদেশকী প্রসিদেন্ট টিঐচ চাওবা, জেনরেল সেক্রেটেরি (এদমিনিষ্ট্রেসন) এম অশনিকুমার অমসুং জেনরেল সেক্রেটেরি ওর্গনাইজেসন প্রেমানন্দ শর্ম্মা দিল্লিদা লৈরকখিবনি।

মণিপুরগী লুচিংবশিং অসিগা সেন্ট্রেল লিদরশিংনা মথাং কয়ারক থোক্ন উন্নদুনা করম্বা মীওইদা টিকেট পীরগা মীখল অসিদা মায় পাকপা ঙমগদগে হায়বগী মীফম পাঙথোকখি।

টিকেট থারকখিবা ইন্নরগী মীওই মরি অমসুং আউটরগী মীওই অহুমগী বাইও দাটাশিং কুপ্না খন্ন-নৈনবগা লোয়ননা করম্বা মীওইদা টিকেট পীরগা মায় পাকপা ঙমগদগে। মায় পাকপা ঙম্বগী মগুন লৈবা কেন্দিদেট করম্বনো হায়বা কুপ্না খন্নরবা মতুংদা ঙসি নুমিদাং পুং ৭ তগী ফম্বা হৌখিবা বিজেপি পার্লিয়ামেন্টরি বোর্ডকী মীফমনা ফার্ষ্ট ফেজগী মীরেপশিংগী মমিংশিং লাওথোরকপদা ডা: রঞ্জন অমসুং প্রো: গাংমুমৈগী মমিং য়াওরকখিবনি।

হেন্দিক্রাফটস সেক্তরদা সরকারনা থাদরিবা শেলফম পীকপনা

পাঙথোক্লিংবা থবকশিং পাঙথোকপা ঙমদবনিঃগোবিন্দাস

থৌদাং পাউমীদগী

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২৭: হেন্দিক্রাফটস সেক্তরদা সরকারনা থাদরিবা শেলফম অসি পীকপনা দিপার্টমেন্টনা পাঙথোক্লিংবা থবকশিং পাঙথোকপা ঙমদবনি হায়না মণিপুর সরকারগী কর্ম্মর্স এন্দ ইন্দষ্ট্রিস মিনিষ্টর ওইরিবা গোভিন্দাস কোন্থৌজম্না ঙসি হেন্দলুম অমদি হেন্দিক্রাফটকী লমদা থবক তৌরিবা আর্টিসানশিংদগী খনগৎলগা পীবা 'আউট ষ্টেন্দিং ক্রাফন্ট পার্সন এৱার্দস' (ষ্টেট এৱার্দ) অমসুং 'মোর্দনাইজেসন ওফ হেন্দিক্রাফটস এন্দ এসিষ্টেন্স টু ইন্দিভিজুয়েল আর্টিসান' স্কিমগী মখাদা ২০১৩-১৪গী ওইনা সবসিদিসশিং য়েন্থোকপগী থৌরমদা ফোঙদোকখ্রে।

মণিপুর সরকারগী দিরেক্তর কর্ম্মর্স এন্দ ইন্দষ্ট্রিস না শীন্দুনা পেলেস কম্পাউন্দদা লৈবা ইবোয়াইমা শুমাং লিলা শঙলেন্দা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা চীফ গেষ্ট ওইনসু শরুক য়াখিবা মিনিষ্টর গোভিন্দাস কোন্থৌজম্না মখা তারদুনা ভারতকী ওইনা পীকখ্রবা ষ্টেট অসিদা অচৌবা ইন্দষ্ট্রিস কল কারখানা লৈত্রবসুচীং অমদি তমদা লৈরিবশিংনা খুৎশা হৈবগী মীশিং কয়া লৈরিবা অসি য়াম্না চাওথোকচনিংঙাইহনি। লোয়ননা মণিপুরগী হেন্দিক্রাফটকী পোখোকশিং অসি মশক নাইবা অমদি মপান লমগী মীওইশিংনা য়াম্না পাম্নবা ওইরি হায়নসু ফোঙদোকখি।

দিল্লিগী সি পি মনাক্তা লৈবা পান্থোইবা ইম্পোরিয়মদা থল্লিবা মণিপুরগী পুথোক্লিবা পোখোকশিং দেসপ্লেৱাৎপনা পোৎয়োনবগী অৱাবা মচাক ওই। অমদি ষ্টেট অসিগী ওইনা ক্লষ্টর প্রোজেক্ট থাগৎপা য়াম্না ৱাৎলি। মসি থাদুনা ভারত সরকারগী মখাদা শেন্থং লৌথদুনা ষ্টেটকী ইকনোমি অমদি অন-ইমপ্লোয়মেন্টকী রেস্পোন্সিব্লিটি লৌবা য়াবা দিপার্টমেন্টনি। আর্টিসানশিংনা শাবা পোৎলমশিং মপাল লমদগী লাকপা টুরিষ্টশিংনা লৈদুনা পুখিবা মতমদা য়াম্না লাইনা অমদি পুবদা খুচোংচাবা য়ানবামওংদা শাবীয়ু। হৌজিক ভিসা ওন এরাইভেল অমদি পি এ পি লৌরকপনা টুরিষ্ট লাকপগী চাং হেঙ্গৎলক্কনি। অমদি লুক ইষ্ট পোলিসি অসিনা হেক লাকপগা দোমেষ্টিক টুরিষ্ট ময়াম অমসু লাক্লগদবনা পোৎলমশিং ক্বালিটি লৈনা অমদি মীয়াম্না পাম্নবা মওংদা পোৎ শাবীদুনা ষ্টেটকী ইকনোমি ফঙ্গৎহন্নবা হোৎনবদা অচৌবা মতেং লৌবীয়ু হায়নসু মিনিষ্টরনা মখাতানা হায়খি।

খোঙজং চঙশিল্লগনি

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২৭: মণিপুরগী হোম গার্দশিংনা চঙশিল্লকপা থবক লেপ্পগী খোঙজং ঙসিগা থানা নুমিৎ ১২ শুরে। মসিফাওবা সরকারগী মায়কৈদগী ৱারি শান্নবদা য়ানবা পুরকপা ঙমদ্রে। মরম অদুনা মার্চ ৩ ফাওবগী মনুংদা সরকারগী মীৎয়েং চঙদ্রবদি মখল-মখা কয়াগী খোঙজং চঙশিল্লগনি হায়না মণিপুর হোম গার্দ ইনহেন্সমেন্ট এক্সন কম্মিটিগী চেরোল অমনা হায়রি।

হাওসতা খন্নবা অমত্তা তৌদনা...

বিল অসি খন্নবদা কৈশামথোং কেন্দ্রগী এমএলএ এল ইবোমচা অমসুং উখ্রুল কেন্দ্রগী এমএলএ সামুয়েল রিসোমসু শরুক য়াখি। বিল অসিগী মতাংদা চিফ মিনিষ্টর ইবোবীনা হায়, একজিক্যুটিভ ওফিসার অমসুং এসিষ্টেন্ট একজিক্যুটিভ ওফিসারশিংগী পোষ্টশিং এমপিএসসি না রিক্রুইট তৌহল্লগা রিকমেন্ট তৌরকপা মীওইশিং খল্লগসু কেবিনেটনা মতম মতমগী মতুংইন্না এমপিএসসি গী পার্বিয়ু অদু রিলেক্স তৌবা ঙম্মী হায়খি।

মণিপুর লেন্দ রেভিন্যু এন্দ লেন্দ রিফোর্মস বিলগী মতাংদা রেভিন্যু মিনিষ্টর দেবেন্দ্রোনা হায়, বিল অসি পব্লিক ইন্টরেষ্টতা পুথোকপা বিলনি। মসিনা এগ্রিকলচরেল লেন্দশিং কনবদা চাওনা মতেং ওইরগনি। অকক্লবা রুল অমা শেমদুনা সরকারগী পার্মিসন য়াওদনা এগ্রিকলচরেল লেন্দশিংদা কনাগুম্বা মীওইশিংনা য়ুম অমদি অতৈ ফার্মনচিংবা কয়া শাজিন্দুনা লন্নাই ওইবা মওংদা কুশি রাশি তৌবা য়াওরবদি পেনাল্টি পীনবা ৱাফমশিং য়াওরি।

এম এল এগী ভোটর লিষ্ট...

শারম্বগীদমক্তা ক্রিমিনেল কেস অমসু মরী লৈনবা ওফিসরশিংগী মথক্তা থাংগৎলবা দন্দি পীবা য়াই হায়না প্রেসনা ফংবা ছোর্স অসিদা হায়রি।

থারুবা কমপ্লেন কেস অমগা মরী লৈননা ইলেক্সন কম্মিসনগী ওথোরিটিনা হল্লকপা চিঠি অমগী পাউখুমদগী খঙলকপনি, চিঠিদুদা ইলেক্তোরেল রোলদগী নংগী নমিং ককথৎপদা নশাগী অয়াবগী শহি য়াওরম্মী ভেরিফাই তৌ হায়রকপদগী অশাবা শহি তৌরম্লে খংলকখিবনি হায়রি।

হায়রিবা অঙকপা থৌদোক অসিগী মতাংদা হৌজিক হৌজিক এম এল এ ওইরিবা শ্রীভালতেনা ইলেক্সন কম্মিসন্দা অইবা চেরোল থাদুনা ৱাকৎপদগী ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়ানা মরী লৈনবা, মরাল লৈবা ওফিসরশিংগী মথক্তা এক্সন লৌনবা খঙহল্লকখ্রে হায়রি।

ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়াগী সেক্রেটেরি শ্রী অনুজ জাইপুরিআর না শহি তৌদুনা চৎলিবা থাসিগী তাং ১৪দা চীফ ইলেক্তোরেল ওফিসর, মণিপুরদা অসিগুম্বা য়াম্না চাওনা শোয়হল্লিবা ওফিসর / ই আর ও নৎত্রগা মরী লৈনবশিংদুগী মথক্তা মতিক চাবা এক্সন লৌখৎনবা অমদি রেস্পোন্সিব্লিটি ফিক্স তৌনবা খঙহল্লকখ্রে হায়রি।

মনিসনা হাৎখিবগী তুমীন্না লৈথোক্তে...

সি এমদা পাও পীরম্বা লৈখিব্রা? কেস অসিগী থিজিন-হুজিনবগী মতাংদা কদাই য়ৌরে? অমদি মাগী লৈহৌরিবা ইমুং মনুংদনা করি খুদোংচাবা পীবা য়াই। মমাংদা এমপি রিশাং কৈশিং য়াওনা মিনিষ্টর ,এম এল এ কয়াদা খুৎ থারকপদগী লৈখিদবা য়াওনা থৌদোক কয়া থোকখ্রে। অদুনা রাজনিটি তৌরিবশিং চৎথোক -খোৎতোকপদা চেকশিন্নিংঙাই ওইরে। মসিগুম্বা কয়াসি য়েংবীরগা প্রজাশিংনা দরকার অমা লৈ খঙহন্বা সরকারনা লৌখৎপা য়াবা থবক লৌখৎনবা ডা:আই ইবোহলবীনা হাউস কী পুক্নিং চীংশিনখি।

কোল্লিং এটেন্সন অসিগী পাউখুম পীরদুনা হোমগী চার্জসু পুরিবা দিপুটি সিএম গাইখাঙম না মখা তনা হায় ,এম এল এ শ্যামকুমার দা নোংমৈনা কাপশিল্লকই হায়বা থৌদোক অদু য়াশিন্নবা পুরকখ্রে। তশেংনমক্তি থৌদোক অদুদা এ আর চেন্নবা লৈতে। গাড়ি বগল পী / পীদে হায়বগী ৱাহৌদগী সেক্যুরিটিনা গাড়িদা চৈনা কল্লুবদগী নাতৈ চাদবা ঙাংলম্বদগী থোকখিবা থৌদোক অদু সাসোন ৱাইফে কৌবা অমগা সেকেন্দ এম আরগী রাইফলমেন লালবোই ৱাইফে কৌবা লৈমখোংগী মীসন কেম্পতা লৈবা মীওইশিং অসি ওইরমখি। তুংদা মিনিষ্টর ঙমথং হাওকিপকা লোইননা অঙাংশিং অমদি ইমুং মনুংগা এম এল এ শ্যামকুমারগা ৱারী শান্নবদগী য়াশিন্নবা পুরকখ্রে।

মণিসনা মীহাৎকী থৌদোক্তু তশেংনা নুংঙাইতবা অকি- তুজুংবা ৱাখল খনবা ৱাৎপা মীওইশিংগী থৌদোক্নি। থৌদোকসি সরকারনা থিগৎলে। হায়রিবা লাইবক থিবা থৌদোক অসি হান্না কেসিপি (নোংদ্রেনখোম্বা) য়াওরম্বদগী তোক্লগা য়ু আর এফ কী কম্মান্দর লেম্বগী মখাদা থবক তৌরিবা থৌবাল খোং অহনবীদগী সেল্ট ষ্টাইল প্রোজেক্ট ওফিসার য়ুম্নাম মণি এলাইজ তেলহৈবা এলাইজ ননাও না চথবা ওইরম্লে। মহাক হৌখিবা ইং ২০১৪ গী জুনুৱারী ৪দা ফাদুনা জুদিসিয়েল কষ্টদিদা লৈরি। অদুগা থৌদোক অসিগী মাষ্টর মাইন্দ ওইরিবা য়ু আর এফ কী কম্মান্দর থাঙ্গা চীংখাদগী হৈস্নাম বীনাদোর এলাইজ লেম্বা এলাইজ নোংপোকঙানবা ফানবা হোৎনরি। মহাক হৌজিকমক ফাবা ঙমদ্রবসু “হুরানবগী তরানি মপুগী নোংমা” হায়বা অমা লৈবনিনা নোংমদি শোয়দনা ফাগনি । লোয়ননা মণিসনা ইমুংদা এক্স গ্রেসিয়া পীবা য়াওনা করি তৌবা য়াই হায়বদু য়েংজগে হায়খি।

ভিজিলেন্সকী কেস মায়োক্নরিবা মীওই ২

য়াওনা এগ্রিকলচরগী দাইরেক্টরগী ফম মুন্নরি

থৌদাং পাউমীদগী

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২৭ : হয়েং থবক্তগী পোথারগদবা মণিপুর সরকারগী এগ্রিকলচর দাইরেক্তরগী ফম অসিগীদমক ভিজিলেন্সকী কেস মায়োক্নরিবা মীওই অনি য়াওনা মীওই অহুম্না অকনবা মওংদা এগ্রিকলচরগী দাইরেক্তরগী ফম কন্না মুন্নরি ।

প্রেসনা ফংবা পাউগী লিখুন অমনা হৌজিক এগ্রিকলচর দিপার্টমেন্টকী দাইরেক্তর ওইরিবা জি শামু কবুইগী হয়েং থবক্তগী রিটয়ার্দ তৌরগনি হায়রি।

মহাক্কী মহুৎ শিন্নবা হৌজিক দিপার্টমেন্ট অসিগী মীওই অহুমগী প্রপোজেল সরকারদা থগৎলি। মখোয়শিং অদুদি এগ্রিকলচর হেদ ওফিস সঞ্জেন্থোংদা হৌজিক জোইন্ট দাইরেক্টরগী ইন চার্জ পুরিবা লুইস ঙসাইনাও, রাইস রিসার্চ সেন্টর ৱাংবলদা রাইস ব্রীদর ওইরিবা ওক্রম ইবোমচা সিংহ অমসুং সমিতিগী দাইরেক্টর ওইরিবা ময়াংলম্বম গোজেন্দ্রোনি।

মখোয় অহুমগী মনুংদা লুইস ঙসাইনাও অমসুং ওক্রম ইবোমচাদি ঙরাং মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী হাউসতা থমখিবা সেন্ট্রেল ভিজিলেন্স কম্মিসন্না পুথোরকখিবা ভিজিলেন্স রিপোর্ট ২০১৩ দা দিপার্টমেন্টশিংগী শেলফম লান্না শিজিন্নরম্বগীদমক ভিজিলেন্সনা কেস লৌখৎতুনা মেজর পেনাল্টি পীগদবনি হায়না দিপার্টমেন্ট খরগী ওফিসারশিংগী লিষ্ট অমা থোকপা অদুদা য়াওরি।

প্রেসনা ঙরাং এসেমব্লিগী হাউসতা থমখিবা ভিজিলেন্সকী রিপোর্টঅদুগা মরী লৈননা থিগৎলুবদা হৌজিক এগ্রিকলচর দিপার্টমেন্টকী দাইরেক্টরগী ফম তান্নরিবা লুইস ঙাসাইনাও অমসুং ওক্রম ইবোমচা অনি অসি হৌখিবা ইং ২০১২ গী নভেম্বর ১ দা থবক্তগী রিটয়ার্দ তৌখিবা দাইরেক্টর এল পালেন্দ্রোনা থবক্তগী রিটয়ার্দ তৌগদবা থা অমারোম ৱাৎলিঙৈদা দাইরেক্তরগা লৌতুনরগা চাওরবা শেলফম কয়া লৌথোক্তুনা হৈনথোকখিবা ওফিসারশিংনি হায়রি।

এগ্রিকচলরগী রিটয়ার্দ দাইরেক্টর এল পালেন্দ্রোনা থবক্তগী রিটয়ার্দ তৌরমদাইদা চাওরবা দিপার্টমেন্টকী লুপা লাক্ষ কয়াগী শেলফম হৈনথোকখিবদা চেন্নবগীদমক ভিজিলেন্স দিপার্টমেন্টনা কেস লৌখৎতুনা মেজর পেনাল্টি পিগদবনি হায়না লৈরিবা এগ্রিকলচর ওফিসারশিং অদুদি মতম অদুদা উখ্রুলগী দিষ্ট্রিক্ট এগ্রিকলচর ওফিসার ওইখিবা লুইস ঙাসাইনাও, রাইস ব্রীদর ৱাংবল ওক্রম ইবোমচা, দিষ্ট্রিক্ট এগ্রিকলচর ওফিসর থৌবালগা লোয়ননা খারুংপাৎ রিজনেল ফার্মগী দিদিও ওইখিবা পি অঙৌবা, বিষ্ণুপুরগী দিষ্ট্রিক্ট এগ্রিকলচর ওফিসার ওইখিবা এন বিনাবোল, তমেংলোংগী দিষ্ট্রিক্ট এগ্রিকলচর ওইখিবা এন নবকুমার অমসুং দিষ্ট্রিক্ট ট্রেনিং ওফিসার ওইখিবা ৱাই ঈশ্বরচন্দ্রনি।

দাইরেক্টর পালেন্দ্রোনা হায়রিবা ওফিসারশিং অসিগা লোয়ননা য়াম্লবা শেলফমশিং অদু হৈনথোকখিবগীদমক হৌখিবা চহী ২০১৩ গী ওক্টোবর, নভেম্বর থাদা ভিজিলেন্সনা কেস লৌখৎতুনা থিগৎখি। মদুদা ডাইরেক্টর অমদি ওফিসারশিং অসিগী চাওরবা মরাল লৈবদগী মখোয়গী মথক্তা মেজর পেনাল্টি পীয়ু হায়না সরকারদা খঙহনখিবা লৈখ্রে।

মসিগা মরী লৈননা মণিপুরগী চিফ সেক্রেটেরিনা চেয়ারমেন ওইবা মণিপুর পব্লিক সর্ভেন্টস পার্সোনেল লাইএবিলিটি রুল ২০০৬ কী মখাদা হায় পৱার কম্মিটি অমা ইং ২০১৪ গী ফেব্রুৱারি ২২ দা শেমদুনা থিগৎলি।

কম্মিটি অদুদা এগ্রিকলচরগী কম্মিস্নার, ডাইরেক্টর ভিজিলেন্স, ডাইরেক্টর এগ্রিকলচর অমসুং ডাইরেক্টর ট্রেজরর এন্দ একাউন্টসসু য়াওরি।

ভিজিলেন্সকী রিপোর্ট মতুংইন্না, পার্সোনেল লাইএবিলিটি এক্টকী মখাদা ওফিসারশিং অসিনা নিয়ম লান্না লৌশিনখিবা য়াম্লবা শেনফমশিং অদু শিংগৎকদবনি হায়রি।

হৌজিক ভিজিলেন্সকী কেস মায়োক্নরিবা ওফিসার অনি অসিগী ফেভরদা লৈবা এমএলএ, মিনিষ্টর খরনা ভিজিলেন্সকী কেস লৈরগসু মখোয়বু ডাইরেক্টর ওইহন্ননবা অকনবা লোবি তৌনরি।

মণিপুর সরকারনা হৌজিক দিপার্টমেন্ট অসিগী হয়েংদগী হাংদুনা লৈরগদবা ডাইরেক্টরগী পোষ্ট অসি এমসিএস ওফিসার অমনা পায়হন্ননবা লোন্না থৌরাং তৌরব্রা হায়বগী চিংনবনসু লৈরি। এগ্রিকলচর দিপার্টমেন্টকুম্বা চাওরবা টেক্নিকেলগী দিপার্টমেন্ট অসিদা এমসিএস ওফিসার অমনা ডাইরেক্টর ওইহনবা তারগদি মমাংদা অমুক্তা ফাওবা তৌখিদ্রবা দিপার্টমেন্ট অসি ফাগি তাহনবা ওইগনি হায়বগী ৱাফম কয়া দিপার্টমেন্টকী ষ্টাফশিংগী মায়কৈদগী ফোঙদোক্নরক্লি।

মতিক চাবা দিপার্টমেন্টকী আর আর শুবা মীওই অমবু ডাইরেক্টর ওইনা হাপ্পীয়ু হায়নসু ফোঙদোক্নরক্লি।

সিক্সপে য়াওনা অতৈ দিমান্দ তৌরিবা ষ্টেটসিগী কর্ম্মচারিশিংনা

থা অমদা লুপা ক্রোর ৩০০ হেন্না পুৎথগদবদু খঙমীন্ননিংই

: *চীফ মিনিষ্টর*

থৌদাং পাউমীদগী

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২৭: ষ্টেটসিগী অচৌবা ইশু অমা ওইরিবা সিক্স-পে য়াওনা আর ও পি, এ সি পি, জি আই এস, সার্ভিস রিগুলারাইজেসন্নচিংবা দিমান্দ তৌরিবা ষ্টেটসিগী কর্ম্মচারিশিংনা মখোয়গী মরম চাবা দিমান্দশিং অসি পীরুবদা মণিপুর সরকারনা থা অমদা লুপা ক্রোর ৩০০ হেন্না পুথগদবা অমদি ইমপ্লোইয়িশিংগী থাগী তলব পীবা ঙল্লোইদবা অৱাবশিং অদু পুন্না খঙমীন্ননিংই হায়না চথরিবা এসেমব্লি মীফম অসিগী সিক্স-পে কম্মিসনগী মরী লৈননা এম এল এ টিঐচ শ্যামকুমারনা পুখৎলকপা কোল্লিং এটেন্সন মোসন অমগী পাউখুমদা চীফ মিনিষ্টর ওক্রম ইবোবীনা হায়খ্রে।

ত্রিনামুল কংগ্রেসকী এম এল এ শ্যামকুমারনা মোসন অসি পুখৎলদুনা হৌখিবা ফেব্রুৱারি ২০দা পাউ-চে খরদা কর্ম্মচারিশিং নুমিৎ নীনি চুপ্না মাস কেজুয়েল লিভ লৌগনি হায়বগা লোয়ননা লৌখি। মখাতানা সিজ-ৱার্ক ষ্ট্রাইক চঙশিনগনি হায়না মখোয়গী দিমান্দ কয়া তাল্লি। মসিগুম্বা এসেমব্লি মতম অমদি মার্চ ফাইনেন্সিয়েল এয়ারগী মতমদদা চথরিবা দিমান্দ কয়াগী ষ্ট্রাইকশিং অসিনা ষ্টেটসিগী শেল-থুমগী ফিভম শোকহল্লি। হন্দক্তসু মাইনর ইরিগেসন দিপার্টমেন্ট য়াওনা সেক্রেটেরিয়েটকী ওইনা খোঙজং কয়া চঙশিল্লি। সরকারনসু দরকারগী মতুংইন্না কর্ম্মচারিশিং লৌদুনা শীজিন্নরি। করিগুম্বদসু এগ্রিমেন্ট অমগী মখাদা থবক হাপ্লিবনিনা ভারত পুম্বদা চৎনরিবা নীটি-নীয়ম অমদি কান্নবশিং অদু ফংহনবা য়াব্রা হায়না হংখি।

কর্ম্মচারিশিংনা মশাগী একাউন্টতা থমজরিবা জি পি এফশিংগী লিমিট থম্বীগনু। ষ্টেটসিদা মথৌ তৌরিবা হোম গার্দ পার্সোনেলশিং অতৈ ষ্টেটতা ফংনরিবা খুদোংচাবশিং ফংহন্দুনা মতম মতমগী ষ্টাইক তৌদুনা ষ্টেটকী শেল-থুমদা অৱাবা পীবতা নত্তনা খুদোংচাদবা কয়া থোকহল্লিবসি অকনবা মীৎয়েং চংবীয়ু। সরকার অমা লৈরি হায়বা খঙহন্দুনা শান্তি ওইবা ঈরাং লৈতবা চাওখৎপা ষ্টেট অমা ওইহনবীয়ু হায়না হাউসকী পুক্নিং চীংশিনখি।

মোসন অসিগী পাউখুম পীরদুনা চীফ মিনিষ্টর ও ইবোবীনা সরকারনা কর্ম্মচারিশিংগী অচৌবা ইশু ওইরিবা সিক্স-পে ইমপ্লিমেন্ট তৌনিংদবা লৈতে। ষ্টেটকী শেল-থুমগী অৱাবা লৈবদগীনি। সরকারনসু ইশু অসি য়াম্না সেন্টিমেন্ট ওইবা ফাওই। অদুবু কর্ম্মচারিশিংনা ষ্টেটসিগী শেল-থুম, রিসোর্স পৈশা কয়া চৎলি । এক্স-চেক্করদা (শেঙ্গাওদা) পৈশা কয়া লৈ। মসিদা থাগী লুপা কয়া চৎলি হায়বদু খঙমীন্নসি। ষ্টেটসিগী চহীগী নন-প্লানদা লৈরিবসি লুপা ক্রোর লিশিং মঙানি। মসিগী মনুংদা চাদা ৮০দি কর্ম্মচারিগী থাগী তলবতা চৎলি। চাদা ২০ লোম্না লো এন্দ ওর্দর, থাও, লম্বী-থেংগী শেমগৎ-শাগৎপনচিংবদা চৎলি।

কর্ম্মচারিশিং ইচিল-ইনাও ঙাক্তনি। অৱাং-নোংপোক্কী ওইনা মীশিং য়েংলগা থবক তৌবগী চাংসি মণিপুরনা ৱাংই। মরমসিদা কর্ম্মচারিশিংনা চাদা ৯০ সেন্ট্রেল পে, চাদা ৭৫ ষ্টেট পে পীবিয়ু হায়রিবসি পীথোকলুবদা থা অমদা ষ্টেটসিনা লুপা ক্রোর ৩০০ হেন্না পুৎথগনি। মরম অদুনা মশাগী শেন্থোক মরাং কাইজদবা ভারত কী অতৈ ষ্টেটকসু মান্নদবা মওংদা য়াম্না খুম্মাং চাওশিন্না চঙশিল্লিবা ত্রিপুরাগুম্বা ষ্টেটকী চৎন-লোনচৎশিং অদু তম্বসু কান্নগনি। সরকারনা হোম গার্ড পার্সোনেল য়াওনা সেক্রেটরিয়েটকী কর্ম্মচারিশিংবু মীরাইবা লৈতে। মখোয়গী দিমান্দশিং পীরুবদা মমাংথক্তা ষ্টেটনা কর্ম্মচারিশিংগী থাগী তলব পীবা ঙমখিদবা থৌদোক্তু লাক্কনি। মখোয়না থা মঙাগী মতুংদা থাগী তলব ফংদ্রবসু য়াই হায়রগদি দিমান্দশিং পীথোকপা য়াই। নৎত্রগদি হৌজিক পাইখৎলিবা সেন্ট্রেল স্পোন্সর স্কিমশিংগী শেলফমশিং অসি কর্ম্মচারিশিংগী তলব পীনবা ফন্দ দাইভর্ট তৌবদা ষ্টেটকী চাওখৎ-খোঙথাংদসু থীহ্নগনি।

অদুমকপু দিমান্দশিং অসিগী মনুংদা এ সি পি গুম্বা রিভিজন ওফজি আই এস কুম্বা খরদি পীবা ঙম্লবা য়াই। মখা তানা ১৪ শুবা শেনবা চহীদা অহেনবা শেলফম খরা হাপ্পীনবা তক্লিবসি হাপীরবদি ফিভম ফগত্তুনা এদুকেসন, হোম অমদি হেলথ নত্তবা দিপার্টমেন্ট কয়াগী থবক হাপ্তনা লৈরিবশিং অসি হাপ্পা ঙম্লবা য়াই। পুন্নমকসি ফাইনান্স দিপার্টমেন্ট নত্তবা কর্ম্মচারিশিংনসু অৱাবশিং অসি খঙমিন্নসি হায়না হাওসতা থমখি।

কোংবা মদন মোহন হৈবীমখোংদা শারিবা ইম্ফাল ইষ্টকী

পি ঐচ ঈ দিগী ঈ ঈ গী ওফিস ব্যুল্ডিং শাবা লোইশিনবীয়ু

: টিঐচ বীশ্বজিৎ

থৌদাং পাউমীদগী

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২৭: ইম্ফাল ইষ্টকী কোংবা মদন মোহন, হৈবীমখোংদা শারিবা ইম্ফাল ইষ্টকী পব্লিক হেলথ ইঞ্জিন্নিয়ারিং দিপার্টমেন্ট (পি ঐচ ঈ দি)কী একজিক্যুটিভ ইঞ্জিন্নিয়রগী ওফিস ব্যুল্ডিং অসি অথুবদা শাবা লোইশিনবীয়ু হায়না হৌজিক চথরিবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী ৱাহং-পাউখুমদা ৫-থোংজু এ সিগী এম এল এ টিঐচ বিশ্বর্জিৎ সিংহনা হাওসকী পুক্নিং চীংশিনখি।

মীফম অসিগী ষ্টার কোইশন ওইনা পুখৎলদুনা এম এল এ না ওফিস ব্যুল্ডিং অসি শাবা লোইশিন্নবগী সরকারগী ওইবা করি থৌরাং লৈ। করিগুম্বা থৌরাং লৈরবদি করম্বা মতমদা লোইশিনবীগদগে অমদি হোংজিনবীগদগে হায়না পুখৎখি।

ৱাহং অসিগী পাউখুম পীরদুনা পি ঐচ ঈ দি গী মিনিষ্টর আই হেমোচন্দ্রনা হায়, হৌজিকমক্কী ওইনদি পি ঐচ ঈ দি গী ঈ ঈ গী ওফিস ব্যুল্ডিং অসি শাবা লোইশিন্নবা সরকারগী থৌরাং লৈত্রি। মসি লো এন্দ ওর্দরগী ফিভম ফরবা অমসুং ব্যুল্ডিং ফন্দ মতিক চানা লৈরবা মতমদা পাইখৎচগনি।

ৱাহং-পাউখুম অসিগী সপ্লিমেন্টরি ওইবা এম এল এ ফুল ফ্লেজেদ ওইনা লৈখিদ্রবা নিপামচানা চীফ মিনিষ্টর ওইরিঙৈ মতমদগী লৈরক্লবনি। মসিগুম্বা মরমসিদা দিষ্ট্রিক্ট অসিদা শেমগৎ-শাগৎকদবা কয়া লৈরিঙৈসিদা হায়রিবা ওফিস ব্যুল্ডিং অসি নপ্পগা চল্লাইরি। মরম অদুনা প্রোগ্রামদা হাপ্পদুনা ওফিস ব্যুল্ডিং অসি অথুবদা শেমগৎ-শাগৎপীদুনা থম্বীনবা তকশিনখি।

সপ্লিমেন্টরি অসিগী পাউখুম পীরদুনা মিনিষ্টর হেমোচন্দ্রনা মখাতনা হায়, মসি ইশু অমা ওইখিবনি। লৈখিদ্রবা নিপামচাগী মতমদা শেমগৎ-শাগৎপীরম্বা ব্যুল্ডিং অসি ইং ২০১৪-১৫গী ব্যুল্ডিং ফন্দদা খরা হাপ্পগা শেমগৎপা য়াব্রা হায়বদু রিভিয়ু তৌনবা হোৎনজগে হায়না হাওসতা থমখি।

অতোপ্পা ষ্টার কোইসন অমদা ১২-কৈশামথোং এ সি গী এম এল এ, এল ইবোমচানা পুখৎলকপদা ষ্টেট ইমপ্লিমেন্টেসন সোসাইটি, রাষ্ট্রিয়া মৈধ্যমিক শীক্ষা অভিয়ান স্কিম, মণিপুর অসি মণিপুরদা ইমপ্লিমেন্ট তৌখিবা নুমিত্তগী কন্ট্রেক্তরশিংদগী এজেন্সি চার্জ চাদা ১১.৭৫ ককহৌবা লৈব্রা। লৈরবদি শেলফম অদু সরকারগী করম্বা হেদ ওফ একাউন্টতা দিপোজিৎ তৌবগে। অমসুং চহী-চহীগী ওইনা কারকপা এমাউন্ট অদু মচা খায়না হাওসতা থম্বীয়ু। অমসুং হায়রিবা এজেন্সি চার্জশিংবু হন্দোকখো হায়না এদুকেসন দিপার্টমেন্টতা ষ্টেট ইমপ্লিমেন্টেসন সোসাইটি, রাষ্ট্রিয়া মৈধ্যামিক অভিয়ান্দা খঙহনলকপা লৈব্রা। লৈরবদি মদুদা সরকারনা করি এক্সন লৌখ্রবগে।

ষ্টার কোইসন অসিগী পাউখুম পীরদুনা এদুকেসন মিনিষ্টর এম ওকেন্দ্রোনা হায়, রামশাগা মরী লৈনা কন্ট্রেক্তরশিংদগী এজেন্সি চার্জ ১১.৭৫ ককহৌবা লৈ। হায়রিবা শেলফম অদু মতম খরগী ওইনা ইঞ্জিন্নিয়ারিং ৱীং, এদুকেসন (এম)কী একাউন্টতা থম্মী। ককহৌরিবা শেলফমসি চহী খুদিংগী ওইনা ককচবা নত্তে। মসি কন্ট্রেক্তরশিংগী ৱার্ক্স বিলগী শেলফমগী মতুংইন্না ককপনি। হৌজিকমক্কী ওইনদি এজেন্সি চার্জশিংসি হন্দোকখো হায়বা লৈতে। অদুমকপু ষ্টেট ইমপ্লিমেন্টসন সোসাইটি, রামশাগী গভর্নিং কাউন্সিলগী মিটিংদা মসি ষ্টেট প্লান ফন্দদা এদজষ্ট তৌখিনবা ৱারেপনবদি লৈখ্রে হায়খি।

রেল্লি চৎখ্রে

থৌদাং পাউমীদগী

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২৭: থা অসিগী ১৮দা থৌবাল পি এসকী মনুং চনবা কিয়াম লিতানপোক্তা মশাগী চহী ১৩ খক্তা ঙাইরিবী নুপীমচা অমবু লৈকায় অদুদগী চহী ৬৩গী অহলনা ঈজৎ মাঙহনবীখিবগী থৌদোক্তুদা চেন্নরিবা রেপিষ্ট ফাগদবনি, থৌদোক অদু মহৈরোয় খুন্নাইনা য়ানিংদে হায়দুনা ঙসি থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট হেদ ক্বাটরদা মহৈরোয়শিং, সি এস ওশিংনা ৱাকৎ খোঙচৎ চৎখ্রে। তুংদা দিপুটি কম্মিস্নরদা ৱাকৎ চেরোল পীশিন্দুনা মরাল লৈবা মীওই অথুবদা ফাবিয়ু হায়না তকশিনখ্রে।

ঙসিগী ৱাকৎ খোঙচৎ অদুদা মহৈরোয়গী লূপশিং হায়বদি এমসু, দেসাম, কে এস এ, অম্মাসো অমদি ওল মণিপুর মুস্লিম গালর্স ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়নগী মীহুৎশিংসু শরুক য়াখি।

থৌদোক্তুগী মায়োক্তা শেমখিবা জে এ সিনা শিন্দুনা চৎখিবা ৱাকৎ খোঙচৎ অদুদা, “মহৈরোয় ঈজৎ মাংহনবা মীওইদন্দি পীয়ু”, “ঐখোয় অচুপ্পা পামই” হায়বনচিংবা ইবা প্লেকার্দশিং পায়নখি।

ৱাকৎ খোঙচৎ অদুনা দি সিগী ওফিস তম্না লাক্লগা মীহুৎ খরা চংদুনা দি সিদা ৱাকৎ চেরোল পীশিনখি। মখা তানা দি সিগী খুথাংদা থৌদোক্তুনা চেন্নরিবা মরাল লৈরবা মীওই অদুগী মথক্তা আইনগী ওইবা দন্দি পীনবা ষ্টেটকী হোম মিনিষ্টর, এদ্যুকেসন মিনিষ্টর, সোসিয়েল ৱেলফেয়ার মিনিষ্টর, জে এ সিগী মায়কৈদগী ৱাকৎ চেরোল পীশিনখি।

পীশিনখিবা ৱাকৎ চেরোল অদুদা করিগুম্বা সরকারনা হয়েং তাং ২৮ ফাওবগী মনুংদা থবক ওইনা পাঙথোক্ত্রবদি মার্চ ১দগী মীয়াম হুপ্না অকনবা খোঙজংশিং চঙশিল্লগনি হায়বনচিংবা য়াওরি।

ফোর্ম থাবা হৌরে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২৭ : লমদম অসিদা লৈরিবা সমাজদা মীমান্নবগী থাক্তগী হন্থরবা লাইরবগী থাক্তা লৈরবা অমদি মশা শোয়নাইবগা লোয়ননা করপসনবু মুখৎনবা পান্থৈদা অমসুং সমাজগী এন্টি সোসিয়েলশিংগী মায়োক্তা শেমখিবা ইন্দিপেন্দেন্ট পিপলস ফ্রন্টনা থা অসিগী ২৪ দগী মীয়ামগী য়াইফনবা ফোর্ম থাবা হৌরে। ফোর্ম অসি ঙাংখলৱাই মোইরাংদা লৈবা ওফিস অসিদগী ফংগনি হায়রি।

রিজল্ট হায়দোক্লে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২৭ : চহী অসিগী ২০১৪ -১৫ গী সেসনগী ওইনা সাই সাগ সেন্টর খুমন লম্পাক্কী অনৌবা ট্রেনি লৌনবগীদমক মমাং চহীগী নভেম্বর ১৫ দগী ১৯ ফাওবা পাঙথোকখিবা সেলেক্সন টেষ্ট অদুগা চীংগী দিষ্ট্রিক্টকী ওইনা চহীদুমক্কী নভেম্বর ২৭ তগী দিসেম্বর ১১ ফাওবা পাঙথোকখিবা টেষ্টশিং অদুগী রিজল্ট ঙসি হায়দোকখ্রে। খল্লবা কেন্দিদেট অমসুং স্পোর্টস পার্সনশিংনা সেন্টর ইন চার্জ সাগ সেন্টর ইম্ফালগী এল ইবোমচাগা উন্নগদবনি হায়রি।

বোম পোকখায়খ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২৭ : ঙসি নুমিদাং পুং ৬.২০ লোম তাবদা লমশাং পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা ময়াংলাংজিং তনিং মখা লৈকাইদা লৈবা ময়াংলাংজিং জিপি গী প্রধান খাঙেম্বম সনাতোন (৪২) অপোকপা লৈখিদ্রবা অঙোমচাগী য়ুমদা শকখঙদবশিংনা বোম লংশিন্দুনা পোকখায়হল্লম্লে। থৌদোক অদুদা য়ুমগী মনিং থংবা শরুক্তা অকায় অতোয় খরা থোকপা নত্তনা কনামত্তা অশোক অপন য়াওখিদ্রে হায়রি।

ইম্ফাল-জিরি

লম্বী বন্দ কৌখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২৭: ঙরাং নুংথিল পুং ৩ তাবদা জিরি ইমা মৈরা পায়বী অপুনবা লূপকী ওফিসতা মীয়ামগী ওইবা মীফম অমা পাঙথোকখ্রে। লোয়ননা মীফম অদুদা হৌখিবা চহী ২০০৮তা মতমদুগী প্রিন্সিপাল সেক্রেটরি ওইরম্বা পি সি লমকুঙা, সেক্রেটেরিয়েট দিপার্টমেন্ট, গভর্নমেন্ট ওফ মণিপুরগী অরানবা গেজেট নোটিফিকেসন অদু লৈঙাক মপুনা ককথৎকদবনি। লোয়ননা মরী লৈনবা ওফিসর অসিগী মথক্তা এক্সন লৌগদবনি হায়বা য়াওনা তোঙান তোঙানবা ৱারেপ কয়া লৌখ্রে হায়না ঙমখৈ কনবা লূপকী চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়রিবনা, মীফম অদুনা তমেংলোংগী এরিয়া জিরিবাম্না শোক্তে হায়বসু সরকারনা ময়েক শেংনা খঙহনগদবনি। মতম পুম্বগী ওইনা চয়েৎনবা লৈতনবা বাবু খাল, বোরোই খাল, শবুঘাটকী বাউন্দরি দিমাক্রেসন জোইন্ট ওইনা অথুবদা চথহনগদবনি। দিমান্দশিং অসি মতম কুইনা সরকারনা থম্ববু য়নিংদবা ফোঙদোক্তুনা মার্চ ২গী অহিং নোংয়াইদগী মার্চ ৪গী অয়ুক পুং ১২ ফাওবা পুং ৩৬ চুপ্না এন ঐচ ইম্ফাল-জিরি লম্বী বন্দ তৌরগনি। মসিদা মীয়াম্না মতেং পাংবিয়ু হায়রি।

IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR,
IMPHAL EAST,SAWOMBUNG

Ref: Mutation Case No. 143/SDC/SWG/2014

Loushambam Ramananda Singh, S/o L. Khomei Singh of Khurai Angom Leikai (Angom Lawai).

. . . Petitioner

-Vrs-

(Late Pattadar) Chandam Achouba Singh, S/o Late Madhob Singh of Khurai Angom Leikai (Angom Lawai).

. . . Opposite party

NOTICE

Sawombung, 18th Feb.2014

Under Section 46(3) of MLR & LR Act 1960 গী মতুং ইন্না খঙহল্লি মদুদি ইং ইং: তহসিল খুল নং: ৩৩- খুরাই অঙোম লৈকাই (অঙোম লৱাই) গী পাট্টা নং: ৩২৫ দাগ নং: ৯১ মোট এরিয়া .৭১ একর চাওবা লৌবেল লৌফমগী পাট্টাদার চান্দম অচৌবা সিংহ মৃত্যু ওইরে। মরম অসিনা মপক্কী নংতারি অসিনা মৃত্র পাট্টাদারগী মিং কক্কগা মাগী মিংদা নামা শানবিরো হায়দুনা উক্তা কোর্টঅসিদা দরখাস্ত থারক্রে। অসিনা মরম ওইদুনা মৃত্র পাট্টাদারগা মরী লৈনবা কনাগুম্বা মীওইশিংনা আপত্তি / Objection তৌনিংবা লৈরবদি পাঙ চে অসিনা ফোংবা নুমিত্তগী নুমিৎ ৭ (তরেৎ)নিগী মনুংদা উক্তা কোর্ট অসিদা লাকখুনা অইবা চেনা আপত্তি / Objection তৌরবা য়াগনি, মতুংদা লাকপা আপত্তি চে লৌজরোই। কোর্টকী থৌনবী মতুং ইন্না থবক মথা চংগনি।

Sd/- Sub-Deputy Collector
Sawombung, Imphal East

NT/58447/28

HEAVY DISCOUNT [illegible] HEAVY DISCOUNT

AVAILABLE MOST DISCOUNTED BRICKS

Class	Rate	Brick	Amount	Gari Charge	Labour	Total
1st	Rs. 9.50	3000	Rs. 28500	Rs. 3000	Rs. 600	Rs. 32100
1st	Rs. 9.50	2000	Rs. 19000	Rs. 2000	Rs. 400	Rs. 21400
1st	Rs. 9.50	1500	Rs. 14250	Rs. 1500	Rs. 350	Rs. 16100
1st Rej.	Rs. 7.50	3000	Rs. 22500	Rs. 3000	Rs. 600	Rs. 26100
1st Rej.	Rs. 7.50	2000	Rs. 15000	Rs. 2000	Rs. 400	Rs. 17400
1st Rej.	Rs. 7.50	1500	Rs. 11250	Rs. 1500	Rs. 350	Rs. 13100
2nd	Rs. 9.10	3000	Rs. 27300	Rs. 3000	Rs. 600	Rs. 30900
2nd	Rs. 9.10	2000	Rs. 18200	Rs. 2000	Rs. 400	Rs. 20600
2nd	Rs. 9.10	1500	Rs. 13650	Rs. 1500	Rs. 350	Rs. 15500
Peti	Rs. 6.90	3000	Rs. 20700	Rs. 3000	Rs. 600	Rs. 24300
Peti	Rs. 6.90	2000	Rs. 13800	Rs. 2000	Rs. 400	Rs. 16200
Peti	Rs. 6.90	1500	Rs. 10350	Rs. 1500	Rs. 350	Rs. 12200
3rd	Rs. 3.90	3000	Rs. 11700	Rs. 3000	Rs. 400	Rs. 15300
3rd	Rs. 3.90	2000	Rs. 7800	Rs. 2000	Rs. 400	Rs. 10200
3rd	Rs. 3.90	1500	Rs. 5850	Rs. 1500	Rs. 350	Rs. 7700

Contact:- 9856052197, 9862048579 (Sunday closed & Phone switch off)
PIS Brick Field, Wangjing Sabon Chekon Leikai

NT/58708/23- 31(March)

"THINKING OF "SCHOOL UNIFORMS?"
THINK OF THE RIGHT SHOP
THINK OF : **BRIGHTWAYS**
...the School Uniform People
Where Quality is a TRADITION
WE ASSURED BEST QUALITY PRODUCT
At a Reasonable Price
We Offer a Discount of 10% on the Uniform SET
From the Price List :
FREE GIFT WITH EVERY SET OF UNIFORM Purchase
Guaranteed Quality & Service with a smile assured
Kindly Visit EARLY TO AVOID The Last Minute Rush!!
WE MISS YOU TILL WE SEE YOU,
HUMBLY WE ARE :-
BRIGHTWAYS
... the School Uniform People
Opposite Punjab & Sind Bank, Dharamshala Road, Imphal-1

BEWARE OF IMITATION, WE DON'T HAVE ANY BRANCH AT IMPHAL
শাজিন্নবদগী চেকশিনবীয়ু ! ঐখোয়গী দুকানগী মশা অমত্তা ইম্ফালদা লৈজদে।